থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ইন্দিয়ন লিতরেচরগী শঙলেন



সাহিত্য একাদেমী-ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা লোনশিংগী সাহিত্য (খোরিলোন নৎত্রগা লোয়ন-শিনলোন) চাউখৎহনবগী পান্দমদা ১৯৫৪, মার্চ ১২ দা লীংখৎখিবা লুপ অসিগী মরমদা ঙসিদি করিগুম্বা ৱাফম খরা ইনিংলকই। ইরন্নাই ওইবা ৱাফমনি, একাদেমী অসিগী থৌরাং থৌসিল খঙলুদুনা ইনিংলকপা নত্তে। একাদেমী অসি লীংখৎখিবগী পান্দম অদু চহী হুম্ফুহুমদোইগী মতুংসিদা কদায় ফাওবা ফংলবগে? ৱাখলসিদা মোংলকপনি। ঐনা থেংনজরকপদা একাদেমী অসিনা নেসনেল অমদি রিজনেলগী থাক্তা সাহিত্যগী ওইবা ৱার্কশোপ অমদি সেমিনার কয়া পাঙথোকই, অইবশিংদা থিজিন-হুমজিন (রিসর্চ) তৌনবা অমদি লম অমদগী অমদা কোয়না চৎনবা শেলগী তেঙবাং (ত্রাবেল গ্রান্ত) পী, চেফোঙ অমদি লাইরিক কয়া ফোঙই (সন্দিয়ন লিতরেচরগী এনসাইক্লোপেদিয়া য়াওনা), ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা লোন কুনমরীদা ফোঙবা অফবা লাইরিক খনগত্তুনা লুপা লাখ অমগী ভেল্যু ওইবা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ পী, সাহিত্যদা পুন্সি কত্থোক্লবা মীওই খনগত্তুনা 'সাহিত্য একাদেমি ফেল্লোসিপ' পী। থা অনী-অনীগী ওইবা চেফোঙ অনীখকসু ফোঙই - হিন্দি অমদি ইংলিসতা। সাহিত্য একাদেমি লাইব্রেরি - ইন্দিয়াদা লৈবা খ্বাইদগী চাউবা লাইব্রেরিশিংগী মরক্তা অমনি।

হিন্দি, উর্দু অমদি ইংলিস লোনদা ইবা সাহিত্যগী লাইরিকশিং য়োকখৎপা অমদি চাউখৎহন্নবা হোৎনবগী মথক্তা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রিজনেল লেঙ্গুয়েজ ২১গী সাহিত্য চাউখৎহন্নবা থবকসু সাহিত্য একাদেমীনা পাঙথোকই। লোনশিং অদুদি - আসামিজ, বেঙ্গোলি, বোরো, দোগ্রী, গুজরাতি, কন্নড়, কশ্মিরী, কোনকানি, মৈথলি, মলয়ালম, মণিপুরী, মরাথি, নেপালি, ওড়িয়া, পঞ্জাবী, রাজস্থানি, সংস্কৃত, সন্থালি, সিন্ধি, তামিল অমসুং তেলেগুনি।

ইন্দিয়াদা লিতরেচরগী ওইবা নেসনেল একাদেমী অমা লিংবগী ৱাখলসি, তশেংবদি বৃটিশ ইন্দিয়াগী মতমদা কোলোনিয়েল বৃটিস গভর্নমেন্ততা পোকখিবনি। ১৯৪৪ দা বেঙ্গোলদা লৈরম্বা রোয়েল এসিয়াতিক সোসাইতি ওফ বেঙ্গোলনা নেসনেল কলচরেল ত্রষ্ট অমা শেম্নবা ৱারেপ লৌখি। অহানবদা লৌখিবা ৱারেপ অদুদি ইন্সতিত্যুসন অহুম লিংননবা ৱারেপনি - ভিজ্যুঅল আর্ত, পর্ফোমিং আর্ত অমদি লিতরেচরগী ওইবা। প্রোপোজেল অসি নীংতম্লবা ইন্দিয়াগী অহানবা গভর্নমেন্ত অদুনা দিসেম্বর ১৫, ১৯৫২ দা সাহিত্য একাদেমী কৌবা নেসনেল একাদেমী ওফ লেতর্স অমা লিংখৎনবা ৱারেপ অমা লৌদুনা থবক ওন্থোরকখি। একাদেমি অসিগী অহানবা জেনরেল কাউন্সিল অদু মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুনা ওইরগা, এস রাধাকৃষ্ণন, অবুল কলাম আজাদ, সি গোপালাচারি, কে এম পানিক্কর, কে এম মুন্সি, জাকির হুসেন, উমাসঙ্কর, জোসি, মহাদেবী বর্মা, দি ভি গুন্দপ্পা অমদি রামধারি সিংহ দিঙ্করনচিংবা মীওইশিংনা মেম্বর ওইখি। পন্দিত নেহরু মশামকসু অফবা, মমীং চৎলবা অইবা অমা ওইরম্মী।

সাহিত্য হায়বা সংস্কৃৎ ৱাহৈ অসিগা একাদেমী হায়বা গ্রীক ৱাহৈ অসিগা পূল্লগা শেম্বা ইন্সতিত্যুসন অসিগী মমীংসিনা তাকই 'য়ুনিভর্সেল' ওইবা পান্দম। অদুবু পায়খৎলকপা থবক থৌরম অসিনদি তাকই- ঈরমদম অসিগী লোনশিংদা ইবা সাহিত্যগী পোত্থোক ফগৎহনবা অমদি ক্রিয়েতিব রাইতিং য়োকখৎপনা একাদেমী অসিগী মরুওইবা পান্দমনি। পান্দম অদু ফঙলবরা? অমুক্তং হঙ্গৎনা য়েংলুবদি ফবনি।

ইন্দিয়ন লিতরেচরগী মশক লেপ্পদা ইন্দিয়ন লেঙ্গুয়েজশিংগী মথৌগা, ইংলিস লোনগী মথৌগা করম্বনা হেনবগে? খনফম খঙদ্রবা কোকসিনা তত্তনা খনবা ৱাখলনি। সাহিত্য একাদেমীগী মরুওইবা থৌরম কয়া পাঙথোকপদা, রিজনেলগী থাক্তসু নেসনেলগী থাক্তসু ইংলিস লেঙ্গুয়েজ - খ্বাইদই মরু ওইবা মেদিয়ম অমনি। হিন্দি, উর্দু, বঙ্গালি, তামিল, তেলেগু, মলয়ালমগুম্বা লোন খরসি নত্তনা, অতৈ ইন্দিয়ন লেঙ্গুয়েজ ময়ামসিগী সাহিত্যগী থাক-মশাগী লোন্না লেপঙমদে। লোনশিং অসিগী সাহিত্যগী থাক লেপ্পবা হিন্দি নৎত্রগা ইংলিস লোন তঙায়ফদবা অমনি। কোলকতাদা পাঙথোকপা সাহিত্য সম্মেলনদা হিন্দি নৎত্রগা ইংরাজি লোন কন্নানসু নীংশিংনদে। জয়পুরগী সাহিত্য সভাদা হিন্দি লোনতনা মরুনি, লখনৌদনা উর্দু। কেরালাদা মলয়ালম, চেন্নাই সহরদা তামিল লোন, হায়দ্রবাদতা তেলেগু ... মুম্বাইদনা মরাথি, পঞ্জাবতনা পঞ্জাবী, মণিপুরদা মীতৈলোন ... রিজনেল লিতরেচরগী মশক-মতৌ লেপ্পবা তঙায়ফদবা লোন'মক্তনি। অদুমক ওইদুনসু, ইন্দিয়াগী রিজনেল সাহিত্য - ইংলিস নৎত্রগা হিন্দি লোনগী মপান তাংবা সাহিত্য ওইরিবা, সাহিত্য একাদেমিগী করম্বা অশোয়বা থৌশিলননো? থিদোকপা তঙায়ফদবনি। কেনিয়াগী শক্লাইরবা অইবা, 'ঙুগি ৱা থিয়োঙো' গী লাইরিক 'দিকোলোনাইজিং দি মাইন্দ' (পুক্নিংবু লোই চলহন্দবা) হায়বা অদুদা মরুওইবা ৱা অমা হায়রিবদু নীংশিংলুবা কান্নগনি... 'মীওইবগী লোন হায়বসিনা পাঙথোক্লিবা মথৌসি অনীনি - অমগা অমগা পাউ ফাওনবা অমদি জাতি অমগী নাৎ মশক তাকপা। ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওই কাঙলুপশিং অসিগী খ্বাইদগী চাউবা অশোয়বসি-কোলোনিয়েল মাইন্দ অদুদগী নাম্থোকপা ঙমদবা, ইংলিস হায়বা লোন অসি থাদোকপা য়াদ্রবা লোন অমনি হায়বা ৱাখল অসি তাম্থোকপা ঙমদবা অসিনি।

১৯৪৪ দা গান্ধীজিনদি মাঙজৌননা উখি- ইন্দিয়নশিংনা মশা মশাগী লোন মীরায়রব্বগী মাঙজবা খঙলক্লনি কুইররোই, ইন্দিয়ন লিতরেচরগী খোঙ্গুল মাঙখ্রনি। অতৈগী ৱা কাউথোকখিসি - মণিপুরী সাহিত্যগী মফম কদায়দনো অমুক্তং য়েংলুসি।

লৌশিং পুক্নৈ

# মমা ওইগদৌরবা, হায়বদি মশা ৱাই শংদ্রবা নুপী খুদিংমক উহৈ-ৱাহৈ মরাং কায়না চাবা মথৌ তাই



মমা ওইগদৌরবা, হায়বদি মশা ৱাই শংদ্রবা নুপী খুদিংমক উহৈ-ৱাহৈ মরাং কায়না চাবা মথৌ তাই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে। মীরোনবী নুপীনা উহৈ-ৱাহৈ য়াম্না চারিবমখৈ পুক্নুংদা লৈরিবা অঙাং অদু আই ক্যু ৱাংবগী চাং হেল্লি হায়রি।

কেনাদাদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ওলবর্টাগী পিয়ুশ মন্দেননা লুচিংদুনা চখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, মীরোনবী নুপীশিংনা উহৈ চাবগী চাং ৱাংলিবমখৈ পুক্নুংদা লৈবা অঙাংগী ব্রেন ফবা হেল্লি হায়বগী খুদম ফংলে। অঙাংনা মমাগী সিয়োমনুংদা কুইনা লৈরিবমখৈ ফবা হেল্লি অমসুং মমাগী চাকচা-য়ুথক অমদি পুন্সি মহিংনা অঙাংদা অচৌবা চৈথেং অমা পী। নুমীৎ খুদিংগী মমানা উহৈ-ৱাহৈ চখোম অমা হেন্না চাবা তারবদি পুক্নুংদা লৈরিবা অঙাংদা য়াম্না চাউনা কান্নবা পী।



'ইবাইওমেদিসিন' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টতা মতে দননা হায়খি, মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীওইশিংগী মওং-মতৌ কুপ্পা য়েংশিনবদা মীরোনবী নুপীনা উহৈ-ৱাহৈ মরাং কায়না কান্নে হায়বা খঙলকপনি। উহৈ চাবনা মশাদা কান্নবা ফংহনবখক নৎতনা পুক্নুংদা লৈরিবা অঙাংদসু হীরম কয়াদা কান্নবা পী।

অমরোমদা, দেনমার্ককী য়ুনিভর্সিটি ওফ কোপেনহেগেননা চখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপা পোল্যুটেন্টশিংনা মীরোনবী নুপীশিংদা চাউনা অকায়বা থোকহনবগা লোয়ননা পুক্নুংদা লৈরিবা অঙাং শিনবগী মরম ওইহল্লি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অমদা য়ুনিভর্সিটি ওফ কোপেনহেগেনগী মেরি পেদরসননা হায়খি, কুমজা ২০১৫ দা মালেমগী ওইনা নুংশিৎতা য়াওবা পোল্যুটেন্টশিংনা মরম ওইরদুনা অঙাং মিলিয়ন ২.৬ লোম শিনা পোল্লকখি।

অঙাং শিনা পোল্লকপগী থৌদোক অয়াম্বা মাঙজৌননা থিংলম্বা য়াবনি হায়না পল্লদুনা য়ুনিভর্সিটি ওফ কোপেনহেগেনগী মেরি পেদরসননা হায়খি। নুংশিৎতা য়াওবা পার্টিক্যুলেট মেটর (পি এম) গী চাং ৱাংখৎলক্লে। নুংশিৎ ক্যুবিক মিটর অমদা দাইমেটর ২.৫ দগী হেন্না পীকপা পার্টিক্যুলেট মেটর মাইক্রোগ্রাম ৪ হেন্না য়াওরকপা মরম্না পুক্নুংদা লৈবা অঙাং শিহনবগী চাং ৱাংখৎলকপনি।

মীরোনবী নুপীশিংনা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়খি, মীরোল্লিঙৈদা য়ু কয়া য়াম্না থকপা য়াবগে হ ায়বা কনামত্তনা খঙবা ঙমদ্রি। মীরোল্লিঙৈদা য়ু থকপা নুপীনা পোকপা অঙাংদি ফিটেল অলকোহোল সিন্দ্রোম (এফ এ এস) না মরম ওইরদুনা মমায় মমিংকী ফীভম শোয়রকপা অমসুং মহৈ-মশিন তম্বদা অকায়বা থোরকপা য়াই। মরম অদুনা নুপী খুদিংমক মীরোল্লিঙৈদা য়ারিবমখৈ য়ু য়াওবা মহী অমসুং হীদাক-লাংথক অমত্তা শীজিন্নরোইদবনি হায়না নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ অলকোহোল এব্যুজ এন্দ অলকোহোলিজমনা ফোঙদোকখি।

মীওইবনা শীজিন্নরিবা অচা-অথক্কী পোৎলম অয়াম্বদা কেফিন য়াওই। কেফিননা থা শুদবা অমসুং অৰূম্বা শুদবা অঙাং পোকহনবা য়াবগী রিস্ক হেনগৎহনবা মরম্না য়ারিবমখৈ মীরোনবীশিংনা কেফিন য়াওবা পোৎলম অমত্তা শীজিন্নরোইদবনি। কোক চীকপা, লোক থুংবা অমদি এলর্জিগী হীদাক লাংথকশিং, চা, কোফি, সোফ্ট ড্রিঙ্ক অমসুং চোকোলেটতা কেফিন মরাং কয়ানা য়াওই।

মৈখু শীজিন্নবনা হকচাংদা অকায়বা কয়ামরুম থোকহল্লি হায়বসি পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু মীরোনবী নুপীশিংনা মৈখু শীজিন্নবা তারবদি মশা মথন্তা অকায়বা থোকহনবদগী হেন্দোক্তুনা পুক্নুংদা লৈরিবা অঙাংদসু অকায়বা থোকহল্লি। অতৈ অতোপ্পা মতমদগী মীরোল্লিঙৈ মনুংদনা অমুক্না হেন্না চেকশিনবা মথৌ তাই।

# মীওইবগী হকচাং পোলাংবু থৱাই মানা পুদুনা চৎলি তাক্লিবা লীলা থৱাইগী থৱাই উৎখ্রে



নোমিতা খোঙবান্তাবম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচ এন এস):

মীনা চীক্লা চাইনবা ঙমদ্রবা শুমাং লীলাগী শঙলেন্দা ঙসি মীওইবগী হকচাং পোলাংবু থৱাই মানা পুদুনা চৎলি হায়না তাক্লিবা লীলা *থৱাইগী থৱাই* উৎখ্রে।

নিফুতরুকশুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল, মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমীনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা চখুরকপা নুপা শুমাং লীলাগী ১০ নি চনবদা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন (ইমা) গী *থৱাইগী থৱাই* মীংগৌবা লীলা উৎখ্রে।

*থৱাইগী থৱাই* হায়রিবা লীলা অসি ওক্রম কুঞ্জোনা ইরগা গীতচন্দ্র চোংথামনা লমজিং লমতাকপনি। লীলা পুথোকপা এন তোম্বা অমসুং ও কুঞ্জোনি। ঈশৈ ময়েক্তা চিংলেন থিয়াম অমসুং ম্যুজিক দিরেক্তরদা এম মোমোচানি।

লীলা অসিগী শন্নপ্পা ৱারীদি, নিংথেম্বগী মমান্নবা পুলিস পর্সনেল খাগেম্বনা নিংথেম্বগী নুপী তম্ফাবু ইজ্জৎ মাঙহল্লগা হাৎতোকপীখি। নিংথেম্বা নুপী হাৎপনি হায়বগী মরালদা জেলদা থমখি। চহী ফারক্কদৌরবা মতমদা মরাল লৈতে হায়দুনা নিংথেম্বা জেলদগী থোরকখি। অমরোমদা, মেমথোইগী মচানুপী থোইবীনাও চীংলেম্বগা নুংশি লৈপুল শেমদুনা লুহোংনবগীদমক্তা মতম লেপখি। থোইবীনাও অমসুং চীংশোম্বা অনীনা অউনপোৎ য়েংবা চৎপদা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোকপদগী থোইবীনাও শিরে হায়দুনা মোর্গতা থমখি। মোর্গতা লৈরিবী থোইবীনাওগী হকচাংদা তম্ফাগী থৱাই চঙদুনা থোইবীনাও হিংগৎলকখি। অদুবু থোইবীনাওনা মমা মেমথোইবু মশক খঙদবদা নত্তনা লুহোংনবা হোৎনজখিবা নুংশিনজবা চীংশোম্ববসু মশক খঙখিদে। থোইবীনাওনা হিংগৎলকপা মীৎকুপ্তা নিংথেম্বা মপুরোইবনি হায়দুনা ফোঙদোকখি। থৱাই অদুগা লৈনখিবা মরি নত্তনা অতোপ্পা অমত্তদা খনবা ঙমদবা থৱাইনা পুদুনা চৎলিবা হকচাং পোলাং অদুগী ৱাহন্থোক পীবা লীলাদা য়ুম্ফম থোনবনি হায়না লৌগনি।

লীলাগী খোঙজেল য়াঙনা চৎলি। অয়েংবশিং মীয়ামগী ইৱাই ঈনিল মরক্তা শান্নবা *থৱাইগী থৱাই* লীলানি হায়রবসু য়াই। পীরিবা কেরেক্তরশিংদা মপুং ফানা এক্ট তৌখি। শুমাং লীলা শঙলেনদা মীয়াম চোন্না পাথোক্লা তীল্লবা লীলা অমসুনি হায়বা য়াই।

লীলা অসিদা নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদি, তোমচৌগী শক্তমদা চীংলেন থিয়াম, দাক্তর লোংজাম্বগী শক্তমদা গীতচন্দ্র চোংথাম, খোইদোংগী শক্তমদা খেকমন দেবান, নিংথেম্বগী শক্তমদা ওকেন থৌদাম, চীংশোম্বগী শক্তমদা সুর অথোকপম, পুলিসমেন খাগেম্বগী শক্তমদা বিজেন্তকুমার ৱাংজম (খেকমন রতন), বুমরগী শক্তমদা তোনি অকোইজম, দাক্তর অমগী শক্তমদা খেকমন ব্রোজেন অমসুং পুলিস কন্সটেবল অমগী শক্তমদা কাপ্পানি।

নুপীগী শক্তম লাংখিবশিংদি, মেমথোইগী শক্তমদা রোবিন্দ্রো লংথবাল, থোইবীনাওগী শক্তমদা হেরামোটি থোঙ্গ্রাম অমসুং মতৌলৈবী অমদি চীংলেম্বীগী শক্তমদা সুরচান্দনি।

লীলা অসিদা নুপা খোঞ্জেলদা শৈশক্লিবা টিঐচ ব্রোজেন অমসুং নুপী খোঞ্জেলদা শৌক্লিবা এন কেবীসনানি। মৈতৈ পুং অমসুং ধুলোক্তা কেএসঐচ বোয়, তবলাদা এস গান্ধী, গীটরদা এম মোমোচা, বাঁসিদা এস অরুন, পেদ ড্রমদা এল বিতেশ্বর অমসুং কি বোর্দতা এ তোম্বনি।

নুপা শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলগী ১১ নি চনবদা অপুনবা আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *শাগৈগী লন* মীংগৌবা লীলা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবদা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা উৎকনি।

# লিটরেচর চাউখৎনবা হোৎনবদা ত্রান্সলেসন অমসুং ফেষ্টিবেল তৌবা চঙই: রতন থিয়াম



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচ এন এস):

মণিপুরী লিটরেচর চাউখৎনবা অমদি পাক শন্না খঙহন্নবা হোৎনবদা ত্রান্সলেসন তৌবা অমসুং লিটরেচর ফেষ্টিবেল তৌবা চঙই হায়না রতন থিয়ামনা ফোঙদোকখ্রে।

সাহিত্য থৌপাং লুপ অমসুং ত্রাইষ্টুপ প্রোকশোনি, দুর্গাপুর, ৱেষ্ট বেঙ্গলগা খুৎশম্নদুনা *অধুনিক মণিপুরী কবিতা* অমসুং *রতন থিয়ামের কবিতা* লাইরিক অনীনা মণিপুরীদগী বেঙ্গলীদা হন্দোকপা অমসুং *অহিংগী নুমিৎ মঙাল* কৌবা লাইরিক অসিনা বেঙ্গলীদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক অহুম ফোঙবগী থৌরম ঙসি উরিপোক কাংচুপ রোদ, সামুশঙদা লৈবা কোরস রিপর্টরি থিয়েটরগী শ্রাইন প্লে হাউসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা কোরস রিপর্টরি থিয়েটরগী চেয়রমেন রতন থিয়ামনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক বেঙ্গলী লোলদা ব্রজকুমার সরকারনা পব্লিকেসনগী চীফ এদিটর ওইদুনা ত্রাইষ্টুপ প্রোকসোনি। ত্রাইষ্টুপ প্রোকসোনি পব্লিকেসন্সনা ফোঙখিবা রঞ্জিতা সরকারনা ত্রান্সলেট তৌবীবসি নুংঙাইবা পোকই। বেঙ্গলী লোলদা মণিপুরী লাইরিক অনী ত্রান্সলেট তৌদুনা ফোঙবা অমদি বেঙ্গলি লাইরিক্তগী মণিপুরীদা ত্রান্সলেট তৌদুনা পুথোকপা লাইরিক অসিনা মণিপুরী লিটরেচরগী পুক্নৈদা অচৌবা খুদোল অমা পীরে।

হৌজিক্কী মতমদা লিটরেচর চাউখৎনবা হোৎনবদা ত্রান্সলেট হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই। ত্রান্সলেট তৌবা অসিনা লিটরেচর চাউখৎহনবদা চাউনা মতেং পাঙলিবনি। লাইরিক ইবা ময়াম অমা থোরক্লবসু পাবীনবা য়াওদ্রবদি লাইরিক্কী মতিক ময়াই লৈরোই। মণিপুরদা লাইরিক পাবগী চাং য়াম্না হন্থরক্লিবসিসু হন্থদনবা হোৎনসি। অতোপ্পা ষ্টেটশিংদদি লাইরিক পাবগী চাং য়াম্না ৱাঙনা লৈরি। অদুনা লাইরিক পানিংবা পোকহনবা হায়বসিদা অইবশিংগী মখুৎতসু লৈ হায়বা য়াই। মসিগীসু মথক্তা ত্রান্সলেট তৌদুনা মণিপুরগী মপান্দা হেন্না পাহনবা ঙম্ন বসু হোৎনসি হায়না মখা তাখি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী রেজিষ্ট্রার লোংজম জয়চন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী ওইনা লাইরিক্কী মার্কেটিংদা মরাং কায়রবসু অতোপ্পা ষ্টেটতদি য়ৌবা ঙমদে। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈবা ঙাক্তনি। অদুনা মপান্দা ঐখোয়গী লাইরিকশিং লৈহন্নবা হোৎনবদা ত্রান্সলেসন তৌবা তঙায়ফদে। ত্রান্সলেট তৌবা অসিদা ৱাহৈগী ৱাহন্থোক চপ চানা হনবা ঙম্লবদি ত্রান্সলেট তৌবগী কান্নবা ফঙই। মসি ঙমদ্রবদি মদুগী কান্নবা ফঙবা ৱাৎলি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা রতন থিয়াম, থাংজম ইবোপিশক, য়ুমলেম্বম ইবোমচা, রাজকুমার ভুবোনস্না, অরাম্বম ওংবী মেমচৌবী, বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম, লনচেনবা মীতৈ, রঘু লৈশাংথেম, সরতচান্দ থিয়াম, মোইরাংথেম বরকৈন্যা অমসুং ব্রজকুমার সরকারনচিংবনা শৈরেংশিং পাথোক্তুনা থৌরম অদু লোয়শিনখি।

# ৱাইশেল মরিলগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী জিওফ্রিগা উনদুনা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর নিংথৌজম জিওফ্রিগা উনদুনা ৱাইশেল ঈশিং ঈরমসিগী মরমদা খন্ন নৈনখ্রে হায়না ৱাইশেল মরিল শেমগৎপা লুপকী সেক্রেটরি জেনরেলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ১৩ দা মীওই অহুম্না শাবা অখন্নবা টিম অমনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী উনদুনা ৱাইশেল মরিলগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েট গ্রিভান্স সেলনা পীরকপা চে অমদি মমাং থাগী ১৬ তা সী এমগা পুং অমরোম চত্থিবা ৱারী শানবগী মরী লৈনবা চেরোলশিং কয়াগা লোয়ননা লম্ফেলদা লৈবা দি সীগী ওফিস চেম্বরদা উন্নখি হায়রি।

লৈঙাক্কী ওফিসল কয়াগী ওফিসতা চৎমন্নদুনা লেপ্তুনা মতেং পাংবীরক্লিবা মরুওইনা কৈশামথোং এ সীগী ইন্টলেকচুয়েল কয়াবুসু লুপ অসিনা কাউবা লৈতে। লোক্তাক পাৎ ফাওবা শম্নরিবা চাওরাক্লা কিলোমিটর ৩৬ রোম শাংলিবা ঈশিং ঈরমসিবু হান্না পুং ২/৩ লোমদং নোং চুবদা হৌজিক্না পুংখায় অমতং নোং লেপ্তুনা চুরকপদা খুৎশেমগী ঈশিং ঈচাও থোক্লকপদা মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মরম অদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমদি ৱাটর রিছোর্সকী মিনিষ্টরনা মীয়ামদা খম থেংনা ৱাহল্লিবা ৱাইশেল মরিল অসিবু শেমজিনবীয়ু হায়রি। লোয়ননা ৱাইশেল মরিল শেমগৎপা লুপনা অঙম্বা মতেং পাংদুনা ঈরমশিবু নোংলাক্ত্রি ঙৈদা খুৎশেমগী ঈচাও থোক্তনবা হোৎনখিগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

# লাংজিংদা লান্মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা লাংজিং চীংদা ঙসি নুংথিল পুং ৪.৫০ রোম তাবা মতমদা খঙহৌদনা লান্মৈ চাক্লকপদগী মফম অদুদা লৈরিবা সী আর পি এফ পর্সনেলশিং অমদি অকোয়বগী খুঞ্জাশিং মীপায়নখ্রে।

মী চঙহন্দনা থল্লিবা লাংজিং চীংগী সী আর পি এফ লৈরিবা চীং অদুগী মমাং থংবা নাকলদা খঙহৌদনা লান্মৈ চাক্লকপা অদু মুত্থৎনবগীদমক ইম্ফালগী ফায়র সর্ভিসকী মীওই তরুক্না শাবা টিম অনী চঙশিনখি। লোয়ননা ৱাটর তেন্দর অমা, দি আই টাটা অমা য়াওনা থৌদোক থোক্লিবা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা লান্মৈ চাক্লিবা অদু কন্নবা হোৎনখি। পুংখায় অমরোমগী মতুংদা ফায়র সর্ভিসকী মীওইশিংনা মৈ অদু মুত্থৎপা ঙমখি হায়রি। ঙসিগী লান্মৈ অদু মতৌ করম্না হৌরক্লিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। হৌজিক অশিৎ অৱান থাগী মতম ওইবনা উপাল-ৱাপাল অমদি অকংবা উ-ৱাশিং হৌবা মরক অদুদা কনাগুম্বশিংনা চুরুটগুম্বা থক্লগা লংশিল্লম্বদগী মৈ চাক্লকপা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি। অদুবু চপ চানা খঙবদি ঙমদ্রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা লম্ফেল পুলিসকী টিম অমসু লাক্তুনা লান্মৈ চাক্লিবা মফম অদু য়েংশিনখ্রে হায়রি।

ফায়র সর্ভিসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা, অশিৎ অৱান থাগী মতম ওইবনা মীয়াম্না মৈহৌ লাংপোক থোক্তনবা মীৎ-নাশিংনা লৈবীনবা অমদি অঙাংশিংনা মৈখেৎ পায়দুনা শান্নহনবীদনবা আপিল তৌরক্লি।

# লালবোই পুলিসতা চঙজরক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচ এন এস):

কৈবুল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা মফম অমদগী চহী ১৪ খক্তা ঙায়রিবী নুপীমচা অমা মীওই অহুমনা কিদনেপ তৌবদা মরুওইনা চেন্নবা থাঙ্গ হৈস্নাম লৈকায়দগী হৈস্নাম লালবোই (২৪) অপোকপা ঐচ বুদ্ধি হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ১.৩০ রোম তাবদা বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনদা সরেন্দর তৌরক্লে হায়রি।

থৌদোক অদুদা খুদোংথিবা নংলুরবী নুপীমচা অদুনা মশাগী ফিভম শোকপদগী হৌজিক রিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। লোয়ননা ঙসি রিমসকী ফোরেন্সিক সাইন্সতা মেদিকেল এগজামিন তৌবগা লোয়ননা হয়েংসু মখা তানা এগজামিনেসন চত্থিগনি হায়রি।

মরকসিদা, ঙসি নুমিদাং অথেংবদা নুপীমচা অদুগী হকচাংগী ফিভম ফগৎলকপদগী ময়ুমদা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি। থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ৱুমেন পুলিসকী ও সী কুমারি লক্সমীনসু য়াম্না কুপ্না থিগৎতুনা থৌদোক অসিগী অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্লুবা হোৎনরি হায়রি।

## ওন্নখিবা

পাউচে অসিগী ঙরাংগী চেফোঙগী লামায় অনীদা য়াওখিবা *মণিপুরগী অতেনবা ফিল্ম চাংদম্নবা পাঙথোক্কদৌরি* হায়বা কেপসনগী মখাদা ফোঙখিবা পাউগী পরিংদা *ফেষ্টিবেল অসিগী বেষ্ট ফিল্মদা শেল ওইনা লুপা ৮০,০০০ গী মনা পীগনি* হায়খিবা অদু লুপা ৫০,০০০ পীগনি হায়গদবনি। - *এদিটর*